**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 25-04-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) উখ্রুল জিলাগী মুল্লাম ভিলেজ এরিয়াদা ঙরাং অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপখ্রবা মতুং সেক্যুরিতি ফোর্সনা অহেনবা ফোর্স থাজিনদুনা ওপরেসন চথ্খবা হৌখ্রে।

২) মুল্লাম ভিলেজগী থৌদোক অদুবু উপ-মুখ্য মন্ত্রি নেমচা কিপগেননা য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে। অমগা অমগা য়েংথিনবা, লমন খুমবগী মহুৎতা ঐখোয় অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা চাউখৎপা অমদি তংদু লৈতাবা পুরকবা হোৎনমিন্নশি হায়না মহাকা আপীল তৌরি।

অমসুং

৩) আম আদমি পার্তিগী রাজ্য সভাগী সদস্যশিংগী শরুক অহুম থোকপগী অনি ভারতিয়া জনতা পার্তিদা য়াওখ্রে।

**------**

কিল্ড (এল)ঃ উখ্রুল জিলাগী মুল্লাম ভিলেজ এরিয়াদা ঙরাং অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপখ্রবা মতুং সেক্যুরিতি ফোর্সনা অহেনবা ফোর্স থাজিনদুনা ওপরেসন চথ্খবা হৌখ্রে।

পুলিসকা পাউনা হায়- লিতান পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মুল্লাম ভিলেজ এরিয়াদা থোকখিবা নোংমৈ কাপবগী থৌদোক অদুদা মীওই অহুম শিখি। লৈখিদ্রবা মীওই অহুম অদুগী মনুংদা মীওই অমনা কামজোং জিলাগী চাত্রিক খুল্লেন ভিলেজদগীনি। অতোপ্পা অনি অদুনা চুরাচান্দপুর জিলাগী সিংহাৎ

সবদিভিজনগী আইজাং ভিলেজ অমদি কাংপোকপী জিলাগী কে. খোনোম ভিলেজদগীনি হায়রি। থৌদোক অদুগী পাউ ফংবগা মফম অদুদা সেক্যুরিতি ফোর্স থাজিনদুনা মুল্লাম ভিলেজ অমদি অকোইবদা মখা তানা নোংমৈ কাপদনবা ওপরেসন চথবা হৌখ্রে হায়না পুলিসকী পাউ অসিনা মখা তারি।

অমরোমদা, খুৎলায় পায়বশিংগী মরক্তা খুৎ থোকবদা মীশি মীনা য়াওবদা নত্তনা মীয়ামগী য়ুম য়াওনা লন-থুমশিং মাংহন তাকহনবা, নুপী অঙাংশিং অৱাবা তাহনবগী থৌদোকপু উপ-মুখ্য মন্ত্রি নেমচা কিপগেন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। ফুরুপ খুদিংমকা হিংশাগী থবক থাদোকদুনা তংদু লৈতাবা পুরকবা হোৎনমিন্নশি হায়নসু উপ-মুখ্য মন্ত্রি শ্রীমিতি নেমচা কিপগেন্না আপীল তৌরক্লি। মহাকা মখা তানা হায়- হিংশাগী থবকা কৈদৌনুংদা ৱারোইশিন পুরক্লোই। মদুনা ফিভম হেন্না লুশিনহনবগা লোয়ননা থাজবা পুন্বা মাংখিবা য়াবগী ওইথোকপা লৈবনা লমদম অসিগী চাওখৎ থৌরাং অমদি শান্তিগী লম্বীদা অচৌবা পল অমা ওইগনি। অমগা অমগা য়েংথিনবা, লমন খুমবগী মহুৎতা ঐখোয় অমত্তা ওইনা পুনশিন্নদুনা মাংলোমদা চংশিন্নবা হোৎনমিন্নশি হায়না আপীল তৌরি।

পুলিস(এল)ঃ চান্দেল জিলাদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফংবা ঙমখ্রে। জিলা অসিগী মোলচাম পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা খুমকোত ভিলেজদা খুৎশু খুৎলায় লোৎতুনা থমলে হায়বগী অককবা পাউ অমা ফংবদগী সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবুনা চংশিন্দুনা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা সিঙ্গল বেরেল রাইফল মরি, পোম্পী ৪, পোম্পী সেল ৭, গ্রেনেদ ৩, দিতোনেতর অমা অমদি চার্জর য়াওবা ৱায়ারলেস সেট ৫ ফংখি হায়রি। পোৎলমশিং অদু মোলচাম পুলিস ষ্টেসনদা মখা তাবা থবক লৌখৎনবা শিন্নখ্রে। হিরম অসিগা মরী লৈননা মোলচাম পুলিস ষ্টেসন্না কেস অমা লৌখৎলে।

চুরাচান্দপুর জিলাগী সিংহাৎ পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা বোলকোটতগী মীওই অহুম হিরোইনগা কোন্ননা ফারে। পুলিসকী পাউনা হায়- ফারবা মীওই অহুম অদুগী মনুংদা সিংহাৎকী এম. বোংমুন ভিলেজদগী মীওই অনি অমদি হরিয়ানাগী গুরগাউনগী চক্করপুরদগী মীওই অমা য়াওরি। মখোয়গী সাপোন কেপ ৪৭৪ দা

কিলোগ্রাম ৫ গ্রাম ৪৩ রোমগী হিরোইনগা কোন্ননা মখোয়না শিজিন্নবা চাকা মরি পানবা গাড়ি অমা ফারে হায়রি।

মনকিবাট ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১৩৩ শুবা ইপিসোদ হয়েং নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু-ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌদুনা শন্দোক্কনি। থৌরম অসি এল.আর.এস চুরাচান্দপুরদসু শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি নুমিৎ অসিমক্কী নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিংদনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

এএপি ঃ আম আদমি পার্তিগী রাজ্য সভাগী সদস্যশিংগী শরুক অহুম থোকপগী অনি ভারতিয়া জনতা পার্তিদা য়াওখ্রে। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা- রাঘব চধা, শঞ্জিভ পাথক অমদি অশোক মিতলনা বি.জে.পিগী হেদক্কাটরদা চত্তুনা দল অসিগী প্রসিদেন্ট নিতিন নবিনগা উন্নখ্রে। বি.জে.পিগী মাইকৈদগীসু মখোয়বু তরামা ওকখি। আম আদমি পার্তি থাদোক্তুনা বি.জে.পিদা য়াওরকখ্রবশিং অদুগী মনুংদা হরভজন সিংহ, স্বাতি মালিৱাল, বিক্রক সাহনে অমদি রাজিন্দর গুপ্ত য়াওরি।

বি.জে.পিগী প্রসিদেন্ট নিতিন নবিননা হিরম অসিগা মরী লৈননা থাগৎলকপা সোসিয়েল মিদিয়াগী ৱারোল অমদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লীচিং মখাদা লৈবাক অসিগী য়াইফনবা থবকশিং পায়খৎমিন্নশি হায়না ফোংদোকখি।

দিল্লিদা পাঙথোকপা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা এম.পি. রাঘব চধানা হায়- করপসন মুখ্থৎনবগী পান্দমদা হৌদোকখিবা আম আদমি পার্তি করপসন তৌবশিংগী খুৎতা তাখ্রে হায়না মরাল শিখি। মহাকা হায়- আম আদমি পার্তিগী

রাজ্য সভাদা এম.পি. ১০ লৈবগী মনুংদা শরুক অহুম থোকপগী অনি হেনবদি বি.জে.পিদা য়াওনবা ৱারেপ লৌরে। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লীচিং মখাদা লৈবাক অসিগীদমক থবক তৌবা হৌরগনি হায়না শ্রী রাঘব চধানা ফোংদোকখি।

বেঙ্গল ঃ নোংচুপ বেঙ্গলগী অনিসুবা তাঙ্কক্কী মীখলগীদমক ভোৎ খোম্বগী থবক খম থেংনা কল্লে। বিধান সভা কেন্দ্র ১৪২ গীদমক থা অসিগী ২৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলগী মাংওইননা ঙরাং সাউথ ত্বেন্তি ফোর পরগনাজ জিলাদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লি অমদা বি.জে.পিগী লুচিংবা অমসং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়- নোংচুপ বেঙ্গলদা ত্রিনামুল কংগ্রেসকী লৈঙাকা করপসন মুত্থৎপা ঙমদ্রে, থবক ফংদবগী চাং হেনগৎলে অমদি মীতোপ চংশিল্লকপদা মীৎয়েং চংবা ঙমদ্রে । মীতোপ চংলকপদা ত্রিনামুল কংগ্রেসনা মীৎয়েং চংদবনা মরম ওইরগা রাজ্য অসিগী নহাশিং অতোপ্পা মফমদা চত্তুনা থবক থিবগী চাং হেনগৎলক্লি। শ্রী মোদিনা হায়- অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলদা সরকার পায়রিবা ত্রিনামুল কংগ্রেস জিলা অয়াম্বদা মায়থিরগনি।

অমরোমদা, নোংচুপ বেঙ্গলগী মুখ্য মন্ত্রি অমসুং ত্রিনামুল কংগ্রেসকী লুচিংবী মমতা বেনর্জিনা মহাক্কী লীচিং মখাদা রাজ্য অসি চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়াদা মাংজিল থানা চংশিল্লক্লি হায়বা হাউরাদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লি অমদা ফোংদোকখি। হন্দক্কী মীখল অসিদসু মহাক্কী দলনা চাউনা মায় পাক্কুনা সরকার শেমগনি হায়বগী চপ চাবা থাজবা লৈ হায়খি।

এসসি ঃ সুপ্রিম কোর্টনা হায়রি- চহি শুদ্রিবা নুপীমচা অমনা মীরোল্লকপা মতমদা অঙাং অদুবু মাংহনবা নত্রগা থম্বা হায়বসি নুপীমচা অদুগী অপাম্বগী মতুংইন্না তৌগদবনি। কোর্ট অমত্তনা মখোয়দা খুৎ থিংজিনবা য়ারোই হায়রি।

জষ্টিস বি. নগরাথনা অমদি উজাল ভুয়ানগী মতৎইন্না চহি ১৫ শুরবা নুপীমচা অমনা মীরোনবা থা ৭ হেল্লবসু মহাক্কী হকশেলগী খল্লগা অঙাং অদু মেদিকেল্লি টরমিনেট তৌবা য়াই। মসি সংবিধানগী আর্তিকল ২১ গী মখাদা লৈরিবা রাইট টু পার্সনেল লিবরতি অমদি প্রাইভেসিগী শরুক অমা ওইনা মীওই

অমনা মহাক্কী হকশেলগীদমক লৌজবা ফিরেপতা শৌগৎপনি।

ফুটবোল (এল)ঃ ক্যামগৈ য়ুথ পাইওনিয়র ক্লবনা শিন্দুনা চত্থরিবা চহি ১৫ মখাগী ১৪ শুবা খাগেম্বা ফুটবোল ত্রোফিগী ঙরাং শান্নখিবা মেটচতা জে.জে.এফ.এ থৌবাল অমসুং অৱাং জিরি পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা সুফা শগোলবন্দনা সি.ঐচ.এস.এস ময়াংইম্ফালবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখ্রে।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মুল্লামদা কাপখ্রে, মোংকোৎ চেপুদসু কাপরি, কুকি অনিগা নাগা অমগা শিরে ময়াম অমা শোকখ্রে, ইম্ফালদা অশোকপশিং য়ৌরকখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা হেদলাইননি।

পাউচে অসিগী অনিসুবা হেদলাইন্না ঙসি কোকোমিনা মীয়ামগী ৱাহং ৬ লৈঙাক্তা হংগদৌরি হায়বা হেদলাইন অসিনি। পাউ অসি হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতসু অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংবা থেংনরে।

মণিপুরদা থোক্লিবা ৱাথোক্তা মীৎয়েং চংবীনবা নাগা ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন্না য়ুনাইতেদ নেসন্স হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিলদা হায়জখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসকী অনিসুবা হেদলাইননি।

পাউ অসি হুইয়েন লানপাউদনা খোংজোম লানগী থৌনা ফবা ইপা ইপুশিংগী খুদুং ইনশি হায়খিবগী নোংঙানবদা লিতানদা সেক্যুরিতিগী লানবন কায়রে। ফুরুপ অনিগী লানদা তাঙ্খুল অমা, কুকি অনি শিরে, অনিমক্কী মীওই ৯ শোক্লে, য়ুম ১৩ মৈ থাদোকখ্রে হায়না বেন্নর হেদলাইন পীরি।

পোকফম পাউচেদনা উখ্রুলগী ইরাং নোংমৈ কাপবদা কুকি মিলিটেন্ট অনি, নাগা ভোলুন্তিয়ার অমা শিরে, য়ুম ১৫ রোমসু মৈ থাখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন পীরি।

সি.আর.পি.এফনা কাপথোরকপা নোংমৈ মরুনা পানবদগী লৈখিদ্রবা অহুমগী অশিবা হকচাং লৈরোল চনখ্রে হায়বা হেদলাইন অসিনা পোকফম পাউচেগী অনিসুবা হেদলাইননি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসন, পিপলস ক্রোনিকল, মণিপুর মেল, নহারোলগী থৌদাং, তমেংলোং টাইমস অমদি সনালৈবাক পাউচেদা উখ্রুল জিলাগী নোংমৈ কাপবগী পাউ অসি অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

কুকি খুৎলায় পায়বশিংদা সেন্ট্রেল সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা আর্মিগী য়ুনিফোর্ম শিজিন্নহল্লে হায়না খনুইথোদ খোননা ফোংদোকখিবা ৱাফম গানফিউ মেলদা অহানবা হেদলাইন পীরি।

------